# ৱেষ্ট বেঙ্গলদা এন আর সি চৎনহন্দ্রিঙৈদা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌগনি ঃ অমিত সাহ



কোলকতা, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী):

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) চৎনহন্দ্রিঙৈদা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল হান্না পাস তৌগনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা ফোঙদোকখ্রে।

নেতাজি ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা সেমিনার অমদা ৱা ঙাংবদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা এন আর সি চৎনহন্দুনা মপান লৈবাক্তগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকখিবা মীতোপ পুম্নমক তান্থোক্লবা থৌরাং লৌখৎকনি। ত্রিণামুল কোংগ্রেসনা এন আর সিগী মতাংদা অরানবা পাউ শন্দোক্তুনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংনবা হোৎনরে।

মমতা বেনর্জিনা হিন্দু রেফ্যুজিশিংবু তান্থোক্কনি হায়না অরানবা ৱাফম শন্দোক্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা হিন্দু অমত্তা তান্থোকপগী ৱাফম লৈরোই। এন আর সি চৎনরক্লবসু হিন্দু, সিখ, জেন, বুধিষ্ট অমদি খৃষ্টিয়ান রেফ্যুজি পুম্নমক ইন্দিয়াদা মখা তানা অদুমক লৈহনখিগনি। এন আর সি চৎনহন্দ্রিঙৈদা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌদুনা হায়রিবা মীওইশিং অদুবু ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহল্লগনি।

বেঙ্গলদা এন আর সি চৎনহল্লোই হায়খিবা মমতা বেনর্জিগী ৱাফমবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা অমিত সাহনা হায়খি, মতম অমদা মমতা বেনর্জিনা ওপোজিসনদা লৈরিঙৈদা মপান্দগী চঙলকপা মীতোপ পুম্নমক তান্থোকখিগদবনি হায়বা ৱাফম পুখৎলকখি। হৌজিক্তি মহাক্কী ভোট বেঙ্ক ওইরবনিনা মীওইশিং অদু তান্থোক্লিংবগী অপান্বা লৈত্রে। কুমজা ২০০৫গী ওগষ্ট ৪দা মমতা বেনজি'না ৱা ঙাংখিবদা অয়াবা য়াওদনা মপান লৈবাক্তগী চঙলকখিবা মীতোপ পুম্নমক তান্থোকপগী ৱাফম পনখি হায়নসু অমিত সাহনা ফোঙদোকখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লৈবাক্কী অশেংবা সিটিজনশিং মশক খঙদোক্লবগী পান্দমদা এন আর সি চৎনহল্লকপনি হায়না পল্লদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরনা হায়খি, মমতা বেনর্জিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা এন আর সি চৎনহল্লোই হায়রিবা ৱাফম অসিগী মরু ওইবা মরম অমা শোইদনা লৈফম থোকই। হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১২দা ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী লুচিংবী মমতা বেনজি'না মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা এন আর সিগী মায়োক্তা মীয়ামগী খোঙচৎ অমা চৎখি। হৌখিবা ওগষ্ট থাদসু ৱেষ্ট বেঙ্গলদা এন আর সি চৎনহনবা য়ারোই হায়বা রিজোলুসন অমা এসেমব্লীদা পাস তৌখি। লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা চপ মান্নবা মওংদা এন আর সি চৎনহন্নবা পান্দম থল্লি হায়না পল্লদুনা বি জে পি ৱেষ্ট বেঙ্গল য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট দিলিপ ঘোসনা হায়খি মদুদি ওপোজিসননা ঙাংনিংবা ৱা ঙাংবসু ৱেষ্ট বেঙ্গলদা এন আর সি চৎহন্নবগী থৌরাং লৌখৎপা লোইরে।

# কাংলুপ নাইবগী পোলিটিক্স ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চন্নফম লৈতে হায়বা পুম্নমক্না খঙগদবনি ঃ মমতা বেনর্জি

কোলকতা, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী):

ৱেষ্ট বেঙ্গলদা কাংলুপ নাইবগী পোলিটিক্স চন্নফম লৈতে হায়বা পুম্নমক্না ময়েক শেংনা খঙগদবনি হায়না চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোকখ্রে।

মপান লৈবাক্তগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকখিবা মীতোপশিংবু মমতা বেনর্জিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা মখা তানা লৈহন্নবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্টসু ওইরিবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা বেনজিগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি।

খা থংবা কোলকতাদা কম্যুনিতি পুজা হৌদোকপগী থৌরমদা বেনজি'না হায়খি, কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা ৱেষ্ট বেঙ্গলদা কাংলুপ নাইবগী পোলিটিক্স তৌরোইদবনি। বেঙ্গলদা লৈরিবা মীয়াম্না কাংলুপ খুদিংমক্কী লুচিংবশিং মপুং ফানা ইকায় খুম্নে। মীওইবা মশেলগী মরক্তা নাকপাক তাহন্নবা থৌরাং লৌখৎলোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমিত সাহনা ঙসি মমতা বেনর্জি অমদি ত্রিণামুল কোংগ্রেসপু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা হায়খিবনি মদুদি লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্স (এন আর সি) চৎনহন্নবা ফিরেপ লৌরে। ত্রিণামুল কোংগ্রেসনা অথিংবা ফনা য়াম্না পীরক্লবসু বি জে পিনা থৌরাং অসি লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা চৎনহল্লগনি। এন আর সিগী মতাংদা বেঙ্গলগী মীয়াম্বু লান্না লমজিংলে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াদা লৈরিবা হিন্দু, বুধিষ্ট, সিখ অমদি জেন রেফ্যুজি অমত্তা হলহনখিবগী ৱাফম লৈরোই। পার্লিয়ামেন্টতা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌরকপা মতমদা হায়রিবা মীওইশিং অসি ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

মমাঙ থাদা মমতা বেনর্জিনা ন্যু দিল্লিদা অমিত সাহগা উনদুনা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজন্সকী মতাংদা ৱারী শান্নখিবনি। অসামগী এনআরসিদা মীওইলাখ ১৯ রোমগী মিং য়াওরকখিদবগী মতাংদা বেনজি'না হায়খি, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ওইনা অসিগুম্বা মখলগী থৌরাং অমত্তা লৌখৎপা মথৌ তাদে। অসামদা সিটিজনশিংগী লিষ্ট শেমখিবদা ইন্দিয়াগী অশেংবা সিটিজন কয়ামরুম মমিং য়াওরক্ত্রে হায়বগী মতাংদা মায়কৈকয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকখি। লৈঙাক পায়বদা য়াওরিবা বি জে পিগী লুচিংবা অমনা ফাওবা এন আর সিগী থবক থৌরমশিংদা চিনবগী ৱাফম ফোঙদোরকখিবনি।

# আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবগী মতাংদা নুমিৎ ২৮গী মনুংদা পাউখুম পীরক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০১ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদর ওটোনোমি অমসুং স্পেসল ষ্টেটস পীরম্বা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা পিটিসনশিংগা মরী লৈনননা চয়োল ৪গী মনুংদা মতিক চাবা পাউখুম পীরক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা খঙহনখ্রে।

জজ মঙান শাবা সুপ্রিম কোর্টকী কন্সটিট্যুসন বেঞ্চনা আর্টিকল ৩৭০গা মরী লৈনবা পিটিসন পুম্নমক নবেম্বর ১৪দা হিয়রিং চখনবা মতম লেপখি। জষ্টিস এন ভি রামনা, জষ্টিস সঞ্জয় কিসন কোল, জষ্টিস আর সুভাস রেদি, জষ্টিস বি আর গৱাই অমসুং জষ্টিস সুরিয়া কান্তগী বেঞ্চনা হায়খি মদুদি সেন্টরনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মতাংদা ফাইল তৌরকপা এফিদেবিটকী মতাংদা পিটিস্নরশিংবু মতিক চাবা পাউখুম পীনবগী মতম পীবা ওইনা চয়োল ৪গী মতুংদা হিয়রিং চখনবা মতম লেপখিবনি। তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংনা ফাইল তৌরকপা পিটিসননা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ অমদি আর্টিকল ৩৫ (এ) লৌথোকখিবগী থৌওং অদুবু শীংনরকখিবনি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্না খাইদোকখিবগী থৌওং অদুবুসু শীংনরকখি। সেন্টরনা হিরম অসিগী মতাংদা এফিদেবিট ফাইল তৌরকখ্রবা মতুংদা পিটিস্নরশিংনা চয়োল অমগী মতুংদা পাউখুম পীরগনি। সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদা লেপখিবা এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা হায়খি মদুদি হিরম অসিগী মতাংদা কোর্টনা মতম খরা শাংনা পীবিবা মথৌ তাই। ৱাফম অসিদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট রাজু রামচন্দ্রননা হায়খি, জম্মু এন্দ কাশ্মির রিওর্গনাইজেসন এক্ট ওক্টোবর ৩১দগী চৎনগদবা মরম্না খুদক্তা মথৌ তাবা থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি।

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

**ꯆꯩꯊꯦꯡ /NOTICE FOR OBJECTION**

Imphal, the 1st October, 2019

No.Prop/SR/IW/2019: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "Ningthoujam Leikai Chaokhat Thourang Lup" on 28-09-2019 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of " Ningthoujam Leikai, Singjamei"

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/ inviting objection if any in writing (AADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/ registration of propose society/Organisation/NGO within 15(fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mentioned period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/ Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/ entertained.

Sd/- P. Memi Devi
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/4377/2

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

**Ref :- Mut. Case No. 1256/SDC/NBL of 2019**

Mongjam Ingochabi Singh S/o (L) M. Komuda Singh of Nambol Khori Leikai. *-Petitioner*

-Vrs-

(L) Elangbam (N) Mongjam (O) Tomshija Devi Widow of Laitongjam *-Pattadar*

**ꯆꯩꯊꯦꯡ / NOTICE**

Dt. 01/10/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 18 - Laitonjam (1) Patta No. 30 (Old), 80 (New), Dag No. 188, Area 0.30 acre of Phourel Class (2) Patta No. 38 (Old), 85 (New), Dag No. 189 Area 0.32 acre of Phourel Class (3) Patta No. 18 (Old), 88 (new), Dag No. 190, Area 0.39 acre of Ingkhol Class হায়রিবা লৌফমশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদারগী মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা লৌফমশিং অমসুং ইঙ্খোল অসি নামা পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফমশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনীংবা (ওবজেক্সন) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংন্না কেস মখা চথখ্রগনি।

***Sd/- S. Dhiren Singh***
Sub-Deputy Collector, Nambol

HL-P/4384/2

IN THE FAMILY COURT BISHNUPUR; MANIPUR.

**Cril(Maintenance) Case No. 22 of 2019.**

1. Loitingbam Ningol Naorem Ongbi Asharani Devi and another .... petitioners.

-versus-

Naorem Hemanta singh, aged about 38 years, s/o N. Mangi Singh, resident of Tentha Khunou,P.S.Khongjom, Thoubal District, Manipur. .....Respondent

SUBSTITUTED SERVICE UNDER ORDER V ,RULE 20(1-A) OF THE C.P.C.1908.

To

Naorem Hemanta singh, aged about 38 years, s/o N. Mangi Singh, resident of Tentha Khunou,P.S.Khongjom, Thoubal District, Manipur.

WHEREAS, the above named petitioner has filed an application under Section 125 of the Criminal Procedure code, 1973 praying for passing order directing the respondent to pay maintenance allowance of the petitioners; you are hereby summoned to appear on 04/10/2019 at 10.30 a.m. either in person or by a pleader duly authorised by you and able to answer all material questions and file written objection, if any

Take notice that in default of your appearance on the day and month before mentioned the case will be heard and determined in your absence.

Given under my hand and seal of the Court, on this1st day of October, 2019.

(Seal)
By :- Advocate.

Sd/-
Sheristadar,
Family Court, Bishnupur.

HL-P/4381/2

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEIROK

**Ref :- Mut. Case No. 311/SDC/HRK**

1. Khundrakpam (Ongbi) Irai Devi W/o (L) Kh. Subera Singh
2. Khundrakpam Chinglenshana Singh S/o (L) Subera Singh

-Vs-

Khundrakpam (L) Subera Singh S/o (L) Kh. Ibotombi Singh

**ꯆꯩꯊꯦꯡ / NOTICE**

21/9/2019, Heirok

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি হৈরোক তহশিল খুন নং -১২৮ হৈরোক পার্ট ৱান পাট্টা নং ২১৭/১৪০/১৪৬৬, সী এস দাগ নং ৩৮৮/৬০০ অপূনবা লম এরিয়া .০৫৮০ ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার শ্রী খুন্দ্রাকপম সুবেরা সিংহ অসি মৃ: ওইখরে। মরম অসিনা মথক্কী মরী লৈনবা মীওইশিং অসিনা মমিং পানবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা মহাক্কী নুপী অমদি মচানুপানা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বা লম অসিগী মরীদা য়েৎনীংবা মীওই লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরগদবনি। হায়রিবা নুমিৎ অসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌহৈ। অচুম্বনি লৌরগা কেস অসি মখা চথখ্রগনি।

***Sd/- L. Ashakumar Singh***
Sub-Deputy Collector, Heirok

HL-P/4383/2


# DELTA Tutorials

Kwakeithel Bazar, Imphal

The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. & Arts in Manipur

**ADMISSION OPEN** ☞ Revision 2019

Sure Shot Question Analysis with complete Study Materials

Class Starting from: 16th October, 2019

Last Date of Admission 5th October, 2019

CBSE COHSEM

Class X & XII Sc. & Arts

Class Timing: 4.30 to 7.30 pm

Available Van & Hostel

Every Year we produced Students with Flying Colours in the Exam

Every Year we produced POSITION Holders as a nature of DELTA

Test Series in same patern of CBSE & COHSEM

Extra Discussion/Application session for the Wicker Students

Seperate Experienced Teachers for CBSE & COHSEM from Reputed Schools

HL-B/5662/12sept.-12oct.



# SMART SECURITY SERVICE (SSS)

Tera Bazar, Near K.K. Gas Opposite- Indian Oil
Imphal West – 01
(A multi-firm service center)
GSTIN: 14AAOAS1782Q1ZP

| Sl.No | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Computer Operator | 02 | BCA/Equivalent | 6500-22000 |
| 2 | Security Supervisor(M) | 06 | Ex-Serviceman | 6500-18000 |
| 3 | Security guard (M/F) | 80 | VIII & above | 6000-22000 |
| 4 | Helper | 52 | Nill | 6000-20000 |
| 5 | Gun-man / Arm Guard | 10 | VIII & above | 8000-22000 |
| 6 | Home Tutor | 30 | Graduate and above | Negotiable |

**Facility: Pension + Bonus

Last date of form submission: 5/10/2019, Date of interview:- 06/10/2019

Form available at office hour 10:00 am to 5:00 pm

Head Office: Tera Bazar, Imphal #7638926139/6009428552

Branch Office: Athokpam Khunou, near OND School #6009224539

Sd/- N. Manitombi Devi
HR Manager
Smart Security Service

HL-P/4386/2


## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF TOURISM

**NOTIFICATION**

Imphal, the 1st of October, 2019

**No. 6/324/2019-DTSM:** Department of Tourism, Government of Manipur is organizing a Quiz Competition during the celebration of Paryatan Parv, 2019 from 2nd to 13th October, 2019.

Paryatan Parv is celebrated every year. The objective of Paryatan Parv revolves around three core elements, "Dekho Apan Desh, Tourism for All and Tourism & Governance". The central theme for this year Paryatan Parv is "150th Birth Anniversary of Mahatma Gandhi".

The Directorate of Tourism, Manipur, hereby invites nominations from Government, Government Aided and Private school to nominate team of 3 (three) students (in Class X-XII) for the Quiz Competition as detailed below.

| Sl. No. | Categories | Date & Time | Venue | Topic |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Class X-XII | 9/10/2019 at 11:00 a.m. | GM Hall, Imphal West | Life of Mahatama Gandhi |

**Last Date of Registration:** 2.00 PM, October 7, 2019

**Prizes:** First Prize - Rs. 10,000/-, Second Prize - Rs. 7,000/-, Third Prize - Rs. 5,000/-

Registration Forms may be downloaded from the Department's Website www.manipurtourism.gov.in or may be collected from the Directorate of Tourism, North A.O.C, Imphal West, Manipur.

*Sd/-*
**W. Ibohal Singh**
Director (Tourism), Manipur

HL-P/5709/2

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE

**NOTICE**

26th September 2019

**No.1/14/CNCP/ICPS-(SW):** The Shortlisted eligible candidates who had applied for the post of Chairpersons and Members of Child Welfare Committees (CWCs) for the districts of Imphal East, Chandel, Kakching ,Kangpokpi ,Kamjong ,Noney ,Tengnoupal & Pherzawl in response to Departmental Notification No.1/14/CNCP/ICPS-(SW) dated 17th May 2018 are hereby informed to appear in person along with original educational qualification certificates, experience certificates and related documents at the **Directorate of Social Welfares AT Line Near 2nd MR Imphal on 4th& 5th October 2019 (Friday&Saturday) at 10:30 a.m.**

| Sl. | Name of the Applicant | Address | Male/Female |
|---|---|---|---|
| **4/10/2010 (Friday) (SL No. 1 to 30)** | | | |
| 1. | NaoremAjit Singh | KakchingSumangLeikai | Male |
| 2 | NaoremSubhas Singh | Kakching BazarPajiLeikai | Male |
| 3 | K. LeimilaThokchom | HiyanglamAwangLeikai | Female |
| 4 | Kiran Kumar | Lamsang Thong Maning, I/W | Male |
| 5 | Robin Pheiroijam | KhagempalliPankha,imphalWest | Male |
| 6 | Ch. Anita | YaiskulchingakhamLeikai | Female |
| 7 | Ngangom(o)Medhapatidevi | Sega Road, KonjengHazariLeikai | Female |
| 8 | Ph.Binodini Devi | KeishamthongLongjamLeirak | Female |
| 9 | Th.HemantaMeeitei | Sekmaijin Bazar | Male |
| 10 | YengkhomShantibala Devi | KakchingKhullenPajiLeikai | Female |
| 11 | MohammadHabiburRahman | IrongChesabaMayaiLeikai | Male |
| 12 | TakhelmayumSunitibala Devi | KhuraiThoudamLeikai | Female |
| 13 | NaoremChonjon Singh | KhongmanMayaiLeikai | Female |
| 14 | RajkumariSorojini Devi | KhuraiSoibamLeikai | Male |
| 15 | Ksh.Jibanmala Devi | KhuraiThangjamLeikai | Female |
| 16 | NongmaithemChanuLenbi | SingjameiChingamakha | Female |
| 17 | WahengbamJoykumar Singh | WangkheiHijamLeirak | Male |
| 18 | MutumSangeetadevi | SagolbandIngudamLeirak | Female |
| 19 | LeihaothabamSurajbalaDevi | AraptiAwangLeikai | Female |
| 20 | MeitramArunkumar | Sega RoadTakhelLeikai | Female |
| 21 | NgamkhomangHaokip | HaokipVengSanjenthong | Male |
| 22 | Mr.PaulhringLanghu | ChandelChiristian | Male |
| 23 | Th.RengthangWonto | LamkhangKhunnou Village | Male |
| 24 | GolmeiPoushinglungKabui | CanchipurKhoupum | Male |
| 25 | T.Chinlunthang | Phaibem Village | Male |
| 26 | Miss. ZonunmawiiColney | Rengkai Road(CCpur | Female |
| 27 | J.L. Sawmi | Rengkai (CCpur) | Female |
| 28 | Rebecca Siemlien | Teddim RoadChurachanpur | Female |
| 29 | Lalhmangai | Churachanpur | Female |
| 30 | Andrew Lalchhuanmawia | Shillong HillRengkai | Female |
| **5/10/2019(Saturday) (SL No.31 to 60)** | | | |
| 31 | MangkholenHaokip | Wakan Village | Male |
| 32 | L.ThanglenkamKhongsai | SongphelkholenVillage,Saikhul,Kangpokpi | Male |
| 33 | HemangSingsit | Keithelmanbivillage | Male |
| 34 | M. John Thangal | YaikongpaoVillage | Male |
| 35 | SeikhojamKipgen | Kangpokpi ward no.7 | Male |
| 36 | HaominlenChongloi | Taphoukuki Village | Male |
| 37 | LamchaChongloi | TaphouKuki Village | Male |
| 38 | NempiNgailut | S.ChangoubungVillage | Female |
| 39 | S.Ngahanpam | Somdal | Male |
| 40 | R.S Khayawon | Ngaimu Village | Female |
| 41 | ChoureilaKeishing | Hangkaw Village | Female |
| 42 | Mr.Living Stone Keishing | BungpaKhunouVillage | Male |
| 43 | Zephyr Ngashangba | SinakeitheiVillage,Ukhrul | Male |
| 44 | Worthing Ningshen | Kumram Village | Male |
| 45 | M.PhungchingShaiza | Chadong village | Male |
| 46 | Michael Thomas | Moreh ward no.3. | Male |
| 47 | MakuRomilaMaring | Pallel. MaringphaiVillage | Female |
| 48 | AngkhongSaka | NungourokVillage | Male |
| 49 | Gibson Lamthaka | LaichingMinou | Male |
| 50 | K.Jangthaolung | NungourokVillage,pallel | Male |
| 51 | KhumanthemIbobiSingh | Awangkhunou | Male |
| 52 | ThailikGangmeiRomeo | Gaidimjang IKhoupum | Male |
| 53 | Ashokpi Kamei | Nungba H/Q | Female |
| 54 | YumnamSanjeevSingh | KeishamthongManingLongjamLeikai | Male |
| 55 | Th. Bidyarani Devi | UripokMayaiLeikai | Female |
| 56 | KavitaKeisham | Keishampat Sega Road | Female |
| 57 | ThingbaijamArun Singh | KeishamthongManingLongjamLeikai | Male |
| 58 | SubhadraKambam | Sagolband | Female |
| 59 | KonsamKherojit Singh | KhagempaliPankha | Male |
| 60 | MoirangthemNorendra Singh | UripokKhumanthemLeikai | Male |
| 61 | M. Binoy Singh | MoirangKhunouManingLeikai | Male |

Sd/-
(Ngangom Uttam Singh)
Director(Social Welfare)
Manipur

HL-B/5695/27-30 sept & 1-3 oct.

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, HEIROK

**Ref :- Mut. Case No. 312/SDC/HRK Date 7/9/2019**

1. Kh. Chaoba Singh S/o (L) Kh. Thambou Singh of Heirok Part-II.
2. Kh. Ingoshabi Singh S/o Kh. Manao Singh

-Vs-

1. Kh. Thambou Singh S/o (L) Kondum Singh
2. N. Ibungo Singh S/o Muhindro Singh
3. N. Rameshor Singh S/o Amar Singh of Heirok Part-II

**ꯆꯩꯊꯦꯡ / NOTICE**

Heirok 21/9/2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি হৈরোক তহশিল খুন নং -১২৯ হৈরোক পার্ট টু পাট্টা নং ১১২/১৮৬, দাগকী নং ৪৯৬ অপূনবা লম হেক্টর .১৯৪৭ চাউবা ইঙ্খোল অসিগী কো-পাট্টাদার অহানবা অমশুবা খুন্দোংবম থম্বৌ সিংহ অসি মৃ: ওইখরে। মরম অসিনা মথক্কী পাট্টাগী লম অসি মহাক্কী মচানুপা (১) কে ঐচ চাউবা সিংহ (২) কে ঐচ ইঙোশাবী সিংহগী মমিং পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বা লম অসিগী মরীদা য়েৎনীংবা মীওই লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরগদবনি। হায়রিবা নুমিৎ অসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌহৈ। অচুম্বনি লৌরগা কেস অসি মখা চথখ্রগনি।

***Sd/- L. Ashakumar Singh***
Sub-Deputy Collector, Heirok

HL-P/4383/2


## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ ওজা KABIRAJ ABDUL HAK পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

ওজা কবিরাজ অবদুল হক্কী পাউতাক্কী মতুংইন্না হীদাক চাবা অমদি তৈবা তৌজবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী প্রোব্লেমশিং :- খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী চেকখায়রগা ঈ য়াওবা, থুপ্পা, চিকপা, শাবা, অমাংথোঙদা ব্রি-ব্রি চৎপা, হাকৎচবা, কক-কক থিনবা, অমাংথোঙগী মনুং অমদি মপান্দা পোম্বা, মচুম-তারগা চিকপা, গ্যাষ্ট্রিক অমদি খ্বাং নাবনি। অদুবু ৱাঙ্গোইদা লৈবা ঐগী ইমান্নবা ওজা অমনা হায়রকপদগী চৎচখি। ওজা কবিরাজ Abdul Hak, Contact No. 8794429681, 8014623756তা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী অনাবশিং মপূং ফানা ফজরে অমদি নুংঙাইজরে। ওজাবু পুন্সি শাংনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইহনবীয়ু হায়না মপুদা থৌনিজরি। লোয়ননা ওজা অবদুলবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

**ওজাগী লায়েংলিবা মফমশিংদি :-**

1. Wangoi SBI Awang (Fri. Sat. Sun., Mon. Tue.) (6.30-4pm)
2. 7th MR Khabeisoi Gate, (Wed.-Thurs.) (10 am to 4pm)

HL-P/4305/2 *থাগৎচরিবা :* **L. Thoiba,** Chajing Makha Leikai



## ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/অমাংথোঙগী অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, অহিং তূম্বদা অমাংথোঙদগী তিনকুপ থোক্লকপা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা মতম কুইনা চঙবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, অমাংথোঙ মপান্দা ফুরিগুম্না পোম্লগা লৈবা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙগী অকোয়বদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, অহিং তূম্বদা অমাংথোঙদগী তিনকুপ থোক্লকপা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বা মতম কুইনা চঙবা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, অমাংথোঙ মপান্দা মতুম ওইনা পোম্লগা লৈবা, খোঙ হাম্বদা অমাংথোঙদগী ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, ঈ তাবা অদুনা মরম ওইরগা হকচাং নোংম-নোংমগী শোনজিল্লকপা, হকচাং চোকথ-ৱাম্থরগতা লৈবা, শূনীং-চৎনীংবা পোক্তবা, খোঙ হাম্বা খুদিংগী শৌজ নাম্থবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পুক কংখৎপা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ খায়দোকপা য়াদবা, য়ারোমদা তোয়না তোয়না খেগৎপা, থবাক ফুল্লগা শ্বর হোনবা ৱাবা, অহিং তূম্বা য়াদবা, ফম্বী শোনবা, হকতিন্ননীংবা ইফাও ফাওদবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা তৌবা অদু MV Azad Phusam ☎ 9089738275/ 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad পু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :

1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday & Wednesday open)
4. Mayang Imphal Bangoon Leirak Achouba (6am to 10am)

HL-P/4332/2 *থাগৎচরিবা :* **O. Jeeban Meitei,** Keishampat